**গোভর্নমেন্ট ওফ মণিপুর**

**ডাইরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এণ্ড পব্লিক রিলেসন্স**

**•••••••**

**প্রেস রিলিজ**

**ষ্টেটকী থাক্তা ওঝাগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে**

**তাকপী তম্বীবগী কাঙলোন নৌহৌননা য়েংশিনবা মথৌ তারিঃ ৱাই জয়কুমার সিংহ**

**ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ৫, ২০১৭ (ডি আই পি আর)ঃ** ভারতকী অনিশুবা রাস্ত্রপটি ডাক্তর সর্ভপল্লি রাধাকৃষ্ণণবু ইকাই খুম্নবা উৎপা ওইনা মণিপুরদসু ঙসি ওঝাশিংগী নুমিৎ পালন তৌখ্রে। ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু কোনুং মমাঙদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম ডিভেলপমেন্ট সোসাইটি (এম এস এফ ডি এস) কী ওডিটোরিয়মদা পাঙথোকখি। ডিপুটি চিফ মিনিষ্টর শ্রী য়ুম্নাম জয়কুমার সিংহ অমদি ইজুকেসন মিনিষ্টর শ্রী টিঐচ রাধেশ্যম সিংহ য়াওনা মীওই কয়ানা লৈখিদ্রবা ইজুকেসনিষ্ট অমদি ভারত রত্না ডাক্তর এস রাধাকৃষ্ণণগী অয়েকপা শক্তমদা লৈ-শূ কৎতুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা ডিপুটি চিফ মিনিষ্টরনা হায়, লমদম অসিদা লৈরিবা তাকপী-তম্বীবগী কাঙলোন অসি নৌহৌননা য়েংশিনবা মথৌ তারি। হৌখিবা চহি ১০-২০ অসিদা অহোংবা কয়া অমা থেংনদুনা লাক্লি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। ঙল্লিঙৈ মতমদদী ওঝাশিং অমদি মহৈরোয়শিংগী মরক্তা অফবা মরী লৈরম্বনা মহৈ-মশীং তম্বীবদা লায়না থোক্লম্মী। মহৈরোয়শিংগী মরক্তা মহৈ মশিং হৈবগী চায়েং পরিক্ষা তোয়না পাঙথোক্লম্মী অদুবু হৌজিক্তী মসিদগী অহোংবা কয়া অমা উরে। ওঝাশিং অমদি মহৈরোয়শিংগী মরক্তা অফবা মরী থম্বনা মমুৎ তানা তাকপী-তম্বীবগী কাঙলোন পায়খৎপদা মরু ওই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

শ্রী জয়কুমার সিংহনা মখা তারদুনা হায়, মহৈ-মশীং তম্বগী অফবা ফিভম অমা শেমগৎনবা হোৎনবদা ওঝাশিংনা মহৈরোয়শিংবু মচামক্লি খন্না লোয়নবীগদমনি লোয়ননা মহৈরোয়শিংনসু ওঝাশিংবু মখোয়গী মমা-মপা শক্না ইকাই খুম্নগদবনি। ওঝাশিংনা লাইরিক্তা য়াওবা পারা খক্তমক তাকপীবগী মথক্তা মহৈরোয়শিংদা লু নানবা অমদি থকশি-খাশিনচিংবসু তাকপী তম্বীগদবনি। ইজুকেসন ডিপার্টমেন্টনা পায়খৎলিবা গ্রিন স্কুল কেম্পেন অসিবু থাগৎলদুনা মহাক্না হায়, ওঝাশিং অমদি মহৈরোয়শিংনা তাকপী-তম্বীবগদবগী থবক অসি মশক থোকপা তুংগী ফিভম অমগীদমক্তা পায়খৎক্নবা পুন্না ৱাশকমিন্ননবসু হায়খি।

ইজুকেসন মিনিষ্টর শ্রী টিঐচ রাধেশ্যাম সিংহনা থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়, সমাজ অমদা মীওইবনা পীরিবা কান্নবা অদুবু পুথোক্নবা হোৎনবদা ওঝাশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ। মহাক্না হায়, ঐখোয়না হৌজিক ওইরিবা পুন্সি অসি ওঝাশিংগী খুদোলনি অমদি ঐখোয়না ওঝাশিংবু ঐখোয়গী ঙমজবা থাক্তা ইকাই খুম্নবা উৎকদবনি। ওঝাশিংনা লৌরিবা থৌদাং অদুবু য়েংলদুনা মখোয়গী য়াইফনবগীদমক্তা লৈঙাক অসিনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। মখোয়গী ট্রান্সফর অমদি পোষ্টিং, মনুং হঞ্জিনবা মফমদা লৈবা স্কুলশিংগী ক্বার্টরশিং, নেস্নেল অমদি ষ্টেট অৱার্ডিগী থবক তৌবগী মতম শাংদোকপনচিংবা প্রোব্লেমশিং অসি অথুবদা লোইশিন্নবা হোৎনরগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

লৈঙাক অসিগী মখাদা লৈরিবা স্কুলশিংদা চথরিবা লাইরিক লাইশূ তাকপী-তম্বীবগী মতাংদা পল্লদুনা শ্রী রাধেশ্যামনা হায়, স্কুলশিংদা তম্বীরিবা লাইরিকশিংগী মথক্তা নৎত্রগা লাইরিক্না লোয়ননা তম্বীবা য়াবা অতোপ্পা হীরম কয়া অমা স্কুলশিংদা মপূং ফানা পায়খৎতনা লৈরি। মসিবু লৈঙাক অসিনা চেকশিন্না লৌদুনা অথুবদা নৌহৌননা হাপচিন্নবা থৌরাং তৌরে। ধনমঞ্জরি য়ুনিভর্সিটি বিল অমদি অতোপ্পা বিল অনি হায়বদি প্রাইভেট স্কুলশিং অমসুং প্রাইভেট কোচিং/ট্যুসন সেন্তরশিং য়েংশিংন্নবা বিলশিং অসি অথুবদা চৎনহন্নবা হোৎনরগনি। প্রাইভেট স্কুলশিংনা ষ্টেট অসিগী ইজুকেসনা সেক্তরদা পীরিবা কান্নবশিং অসিবু থাগৎলদুনা মিনিষ্টর রাধেশ্যামনা ষ্টেকহোলডরশিংনা লৈঙাক্তা খুৎশম্নদুনা মতুং তারকপদা পুরক্কদবা অচৌবা অহোংবশিংদা মতেং পাংবিনসু আপিল তৌখি।

থৌরম অদুদা মণিডকো অমদি মণিত্রোনগী চ্যারমেন শ্রী য়ুম্নাম রাধেশ্যাম অমদি মণিপুর লেজিস্লেটিভ এসেমব্লিগী হীল এরিয়া কম্মিটিগী চ্যারমেন শ্রী তি.তি হাউকিপনসু ৱা ঙাঙখি।

থৌরম অদুদা ওঝা তরাদা ষ্টেট টিচর অৱার্ডকী মনাসু পীখি অমদি গ্রিন স্কুল কেম্পেন্দা থৌদাং লৌখিবা ওঝাশিংবুসু ইকাই খুম্নবা উৎখি। ডাক্তর এস জামিনি দেবীনা ইবা 'ইজুকেসন ইন মণিপুর' হায়না মীংথোনবা লাইরিক অমসু থৌরম অদুদা ফোঙখি। ইজুকেসন(এস)কী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি শ্রী ভিনিট জোসি, হায়র এণ্ড টেক্নিকেল ইজুকেসনগী কম্মিস্নার শ্রী ঐচ দিলিপ সিংহ, ওঝাশিং অমদি মহৈরোয়শিংনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। (ডি আই পি আর)

………………………………………………………………………………………………

BEN/OSS/APO(P) No 1010 05/09/2017